# শুপ্নগী পাঞ্জল ১ শোঠরগা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম গ্রেট বৃটেনগী মখূৎতা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল নাম্থোকখ্রে, গোল্ফতা ইন্দিয়াগী অদিটি মেদল ফংবগী খূদোংচাবা লৌরি, বজ্রং পুনিয়া ব্রোঞ্জকী শেম শাখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী): ওলিম্পিক পুৰারীদা অহুম্লক শুবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম গ্রেট বৃটেনগী মখূৎতা পাঞ্জল ১ শোঠরগা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল নাম্থোকখ্রে। গোল্ফতা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয় অদিটি অশোক মেদল ফংবা য়াবগী খূদোংচাবা লৌরি। রেষ্টলিংদা বজ্রং পুনিয়া সেমীফাইনেল মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংনবা শেম শাখ্রে।

হোক্কী : কুমজা ১৯৮০ মোস্কো ওলিম্পিক গেমসতা ইহান হানবা ওইনা হৌদোকখিবা নুপীগী হোক্কী দিসিপ্লিন অদুদা ইন্দিয়াগী টিম ৪শুবা পোজিসন তাখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৬তা নৌহৌননা ক্বালিফাই ওইদুনা রিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখিবা অদুগী মখা তারকপা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০দা মীয়ামদা থাজনদবা মওংদা সেমীফাইনেল য়ৌরক্তুনা মকোক থোংবা টিম কয়াগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা ঙসি গ্রেট বৃটেনগা শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেদল ফংনবা থেংনবদা শুপ্নগী পাঞ্জল ১ শোঠরগা ৩-৪দা মায়থীদুনা মেদল ফংবা ঙমখিদ্রে।

ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অসি মালেমগী ওইনা হোক্কী শান্নবা নুপীগী টিমশিংগী মরক্তা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অদুবু টিম অসিগী কোচ সিওর্দ মারিনেগী অকনবা লমজিং মখাদা তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনল মেটচ কয়াদা শরুক য়াদুনা ফজরকপদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইরকখিবনি। গেমস অসিদসু ইন্দিয়াগী টিমনা গ্রুপ এদা অহৌবা মেটচ অহুম মায়থীবা নংলবা মতুং গেম অনী থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখি। য়াম্না ফজরিবদি ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ওলিম্পিককী গোল্ড মেদল ফংগনি হায়না কন্না পানরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমবু ক্বার্টর ফাইনেলদা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইরি।




সেমীফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীদুনা ঙসি গ্রেট বৃটেনগা ব্রোঞ্জ মেদলগী মেটচ শান্নবদা ৩-৪দা মায়থীখি। মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা গ্রেট বৃটেনবু পাঞ্জল ৩-২দা মাঙজিল থারগা লৈখি। ইন্দিয়াগী গুরজিৎ কোরনা ২৫শুবা অমদি ২৬শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অনী খূদোংচাবা লৌদুনা পাঞ্জল চনখি। ২৯শুবা মিনটতা বন্দনা কটারিয়ানা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী এরিনা রায়র অমদি সারা রোবর্টসননা পাঞ্জল ২ চনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা অহুমশুবা ক্বার্টরদা গ্রেট বৃটেনগী মায়কৈদগী কেপ্টেন হোলি ৰেভনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা ক্বার্টর অদু লোইশিল্লকপদা ৩-৩দা লৈনখি। মেটচকী অরোইবা ক্বার্টর হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা গ্রেট বৃটেনগী গ্রেস বালসদননা পাঞ্জল ১ চনখিবা অদু ইন্দিয়ানা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী ৩-৪দা মায়থীহৌবনি।

ইভেন্ট অসিগী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসনা অর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

গোল্ফ : ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্টতা মেদলগী থাজবা থমখিদবা গোল্ফদা নুপী গোল্ফর অদিটি অশোকনা ঙসি ৩শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা য়ু এস এগী নেলি কোর্দাগী মথংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈদুনা মেদল ফংবা য়াবগী অচৌবা থাজবা লৈরি।

মশাগী চহী ২৩দা ঙাইরিবী অদিটি অশোকনা টোকিওগী কাসুমিগাসিকি কন্ট্রি ক্লবতা ঙসি মহাক্কী অপোকপী মহেশ্বরীনা কেদি ওইদুনা শান্নখিবা অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অদুগা য়াম্না নক্কনা লৈবা ঙমখি।

রেষ্টলিং : ওলিম্পিক মেদলগী অচৌবা থাজবা থমখিবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজ্রং পুনিয়ানা কিলোগ্রাম ৬৫গী ঙসি লম্বা তৌখিবা সেমীফাইনেলদা অজরবৈজানগী রেষ্টলর হাজি অলিয়েবকী মখূৎতা পোইন্ট ৫-১২দা মায়থীবা নংদুনা গোল্ড অমসুং সিলভরগী লম্বেল তেনশিনখ্রবসু হয়েং মখা তাবা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক্তা মহাক শেম শাবা হৌখি।

ঙসিগী বাউট অদুগী হৌরকপদা বজ্রং পুনিয়ানা অলিয়েবতগী পোইন্ট ১ হেন্দুনা লৈখ্রবসু অহানবা পেরিয়দ লোইশিল্লকপদা অলিয়েবনা ফজবা হেল্লক্তুনা ৪-১দা মাঙজিল থাখি। পুনিয়ানা কন্না হোৎনদুনা পোইন্ট ৫ ফাওবা য়ৌরক্লবসু অলিয়েবনা পোইন্ট ১২ লৌখিবদগী মায়থীহৌবনি।

এথলেটিক্স : ইন্দিয়াগী নুপাগী মিটর ৪x৪০০ রিলে টিমনা অনীশুবা হিটতা এসিয়াগী রেকোর্দ থুগায়বা ঙল্লবসু ৪শুবা পোজিসন তাখিবদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি। মহমদ অনাজ, তোম নির্মল, রজিব অরোকিয়া অমসুং অমোজ জেকোবনা মিনট ৩:০০.২৫দা চেন্দুনা এসিয়াগী রেকোর্দ থুগায়বা ঙল্লবসু ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে। অনীশুবা হিট অদুদা পোলেন্দগী টিমনা মিনট ২:৫৮.৫৫দা চেন্দুনা মকোক ওইরগা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

নুপীগী কিলোমিটর ২০গী ৱাক রেসতা ইন্দিয়াগী প্রিয়াঙ্কা ১৭শুবা পোজিসন তাবদগী মেদল ফংখিদ্রে।

**হয়েং ইন্দিয়াগী ইভেন্টশিং**

১. নুপাগী জেভলিন থ্রোদা নিরজ চোপ্রানা ক্বালিফিকেসনদা মকোক ওইদুনা নুংথিল পুং ৪.৩০দা ফাইনেল রাউন্দ লম্বা তৌরগনি।

২. বজ্রং পুনিয়া রেষ্টলিংদা ব্রোঞ্জ মেদলগী মেটচ শান্নগনি।

৩. অয়ুক পুং ৩দা নুপীগী গোল্ফতা দাগরনা ৪শুবা রাউন্দ শান্নগদৌরি।

**Tokyo Olympic Games Medal Tally**

| Rk | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 36 | 26 | 17 | 79 |
| 2 | United States | 31 | 36 | 31 | 98 |
| 3 | Japan | 24 | 11 | 16 | 51 |
| 4 | Great Britain | 18 | 20 | 20 | 58 |
| 5 | ROC | 17 | 23 | 22 | 62 |
| 6 | Australia | 17 | 6 | 21 | 44 |
| 7 | Italy | 10 | 10 | 18 | 38 |
| 8 | Germany | 9 | 11 | 16 | 36 |
| 9 | Netherlands | 9 | 10 | 12 | 31 |
| 10 | France | 7 | 11 | 9 | 27 |
| 11 | New Zealand | 7 | 6 | 6 | 19 |
| 12 | South Korea | 6 | 4 | 9 | 19 |
| 13 | Cuba | 6 | 3 | 4 | 13 |
| 14 | Hungary | 5 | 7 | 5 | 17 |
| 15 | Canada | 5 | 6 | 10 | 21 |
| 16 | Brazil | 4 | 4 | 8 | 16 |
| 17 | Poland | 4 | 4 | 4 | 12 |
| 18 | Czech Republic | 4 | 3 | 2 | 9 |
| 19 | Jamaica | 4 | 1 | 3 | 8 |
| 20 | Spain | 3 | 5 | 5 | 13 |
| 21 | Switzerland | 3 | 4 | 6 | 13 |
| 22 | Croatia | 3 | 3 | 2 | 8 |
| 23 | Belgium | 3 | 1 | 1 | 5 |
| 23 | Slovenia | 3 | 1 | 1 | 5 |
| 25 | Georgia | 2 | 5 | 1 | 8 |
| 26 | Sweden | 2 | 5 | 0 | 7 |
| 27 | Chinese Taipei | 2 | 4 | 6 | 12 |
| 28 | Denmark | 2 | 3 | 4 | 9 |
| 29 | Iran | 2 | 2 | 2 | 6 |
| 29 | Kenya | 2 | 2 | 2 | 6 |
| 31 | Norway | 2 | 2 | 1 | 5 |
| 32 | Serbia | 2 | 1 | 4 | 7 |
| 33 | Uganda | 2 | 1 | 1 | 4 |
| 34 | Ecuador | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 35 | Uzbekistan | 2 | 0 | 2 | 4 |
| 36 | Greece | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 37 | Bahamas | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 37 | Kosovo | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 37 | Qatar | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 40 | Ukraine | 1 | 3 | 10 | 14 |
| 41 | Romania | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 41 | Venezuela | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 43 | Belarus | 1 | 2 | 2 | 5 |
| 43 | Hong Kong | 1 | 2 | 2 | 5 |
| 45 | South Africa | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 45 | Slovakia | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 66 | India | 0 | 2 | 3 | 5 |
| 67 | Armenia | 0 | 2 | 2 | 4 |
| 68 | Kyrgyzstan | 0 | 2 | 1 | 3 |
| 69 | Azerbaijan | 0 | 1 | 3 | 4 |

# হোক্কী শান্নরোয় নিলকান্ত অমসুং সুশিলাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক্স পুৰারীদা নুপাগী হোক্কী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকপদা শরুক য়াখিবা শংলাকপম নিলকান্ত শর্ম্মা অমসুং নুপীগী টিমনা মরিশুবা পোজিসন তারকপদা শরুক য়াখিবী পুখ্রম্বম সুশিলা চনুবু কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চহী ৪১গী মতুংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবা অমদি নুপীগী হোক্কী টিমনসু মরিশুবা পোজিসন তারকপা অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর ষ্টেটতগী নুপাগী নিলকান্ত শর্ম্মা অমসুং নুপীগী সুশিলা চনুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নননা তুংদসু অহেনবা পর্ফোর্মেন্সশিং উৎননবগীদমক সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী য়াইফ থৌনীরক্লি। ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমনা জর্মনিবু মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। অদুগা নুপীগী টিমনা ঙসি গ্রেট বৃটেনগী মায়োক্তা অকনবা লম্বা পীরগা ৪শুবা পোজিসন তাহৌখি।

অমরোমদা, মৈতৈ ইপানাৎ-ইপূনাৎ কনবা লূপ (এম আই আই কে এল)গী মায়কৈদগীসু টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াখিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় মঙাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈ ইমা (মণিপুর)গী পারি-ইমোম মঙানা শরুক য়াবদা মেদল অনী লৌরকপা ঙম্বা হায়বসি লমদম অসিগী ওইনা পুৰারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি হায়না এম আই আই কে এলগী মায়কৈদগী ফোঙদোকপগা লোয়নননা মখোয়বু হন্না-হন্না থাগৎপগা ইরোয়নননা মতম খূদিং, মফম খূদিংদা য়াইফবতা ওইরসনু হায়না মৈতৈ ইপানাৎ-ইপূনাৎ কনবা লূপ, কাইরংগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

# রজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দকী মমিং মেজর ধ্যান চান্দ খেল রত্না এৱার্দ হায়না নৌনা খঙনরগনি হায়বা ৱাফম মোদিনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নবগী হীরমদা খ্বাইদগী অথোইবা মীওইদা চহী খূদিংগী পীদুনা লাক্লিবা খেল রত্না এৱার্দ হায়না খঙনরিবা মনা অসিগী মমিং নৌনা মেজর ধ্যান চান্দ খেল রত্না এৱার্দ হায়না খঙনরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে।

মেজর ধ্যান চান্দ হোক্কীগী লম্দা ইন্দিয়াগী পুৰারীদা থোইদোক্লা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরমখি। মহাক্লা তোঙান-তোঙানবা মনা কয়া ফংখিবগা লোয়নননা সিভিলিয়ন এৱার্দতা অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবা মনা পদ্মা ভুষন মনা অদু কুমজা ১৯৫৬তা ফংখি। লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং অমদি অতোপ্পা মায়কৈ কয়াদগী রজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ অসি মেজর ধ্যান চান্দ খেল রত্না এৱার্দ ওইনা ওন্থোকপীননবা মতম কয়াগী মমাংদগী লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। শান্নরোয় অমা ওইখিবা




মেজর ধ্যান চান্দগী মমিংদা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্লা পীরক্লিবা খ্বাইদগী অথোইবা শান্নরোয় অদুদা লুচিংবা অমগী মমিংগী মহুৎতা শান্নরোয় অমগী মমিংদা ওন্থোক্লবগী ৱাফম অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা কুপ্না অতোপ্পা ওফিসলশিংগা নৈনরবা মতুং মমিং অদু ঙসি ওন্থোক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মখা তাখিবদা চহী ৪১গী মতুংদা ওলিম্পিক পুৰারীদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙল্লকখিবা অমদি ঙসি ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা ৪শুবা পোজিসন তারকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নননা মেদল ৫ ফংলক্লবা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিয়নশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা রজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ অসি হোক্কী শান্নরোয় ধ্যান চান্দগী মমিংদা ওন্থোরকপা অসিদা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি। থেংলবসু থেংনা কুমজা ১৯২৮, ১৯৩২ অমসুং ১৯৩৬ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা মেদল ফংখিবা পর্ফোর্মেন্সশিং অদুদা ধ্যান চান্দসু মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইখি।

হান্না ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা অজিৎপাল সিংহনা ধ্যানচান্দগী মমিং ওন্থোরকপা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি। বোক্সর বিজেন্দর সিংহনসু খোঙথাং অসি অফবনি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনকিতা রাইনা য়ু এস এগী দব্লিয়ু টি এগী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী): য়ু এস এগী কোনকোর্দ সিটিদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ১১৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনকিতা রাইনানা জর্মনিগী মোনা বার্থেলগা প্যের ওইদুনা শরুক য়ারকপদা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অনকিতা রাইনা অমসুং মোনা বার্থেলনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা য়ু এস এগী প্যের সোফি চান অমসুং সোফিয়া ৰিটলবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীখি। অহানবা সেট অদু নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী লেংমান্ননা শান্নরম্বদগী ইন্দিয়া অমসুং জর্মনিগী প্যের অদুনা ৭-৫দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী অনকিতা অমদি জর্মনিগী মোনানা য়ু এস এগী সোফি অমসুং সোফিয়াগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইষ্টোনিয়াগী সিটি পারনুদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ২৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা আই টি এফ ৰিমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী রুতুজা বোসালে অমদি বেলজিয়মগী মাগালি কেম্পেননা প্যের ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী প্যের মেলানি ক্লাফনর অমসুং সিনিয়া ক্রোসপু ইকোম কোম্লা ৬-১, ৬-১দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সোজানিয়া বাসিসেটিনা ক্রোএসিয়াগী ওলেকসন্দ্র ওলিনকোভাগা প্যের ওইরগা শরুক য়ারকপদা রসিয়াগী প্যের জুলিয়া অমসুং একাটেরিনা লাক্তবদগী ৱাক ওভর ফংলগা সেমীফাইনেল চঙখি।

# জর্মনি মায়থীবা পীদুনা চাইনাগী নুপাগী টিমনা টেবল টেন্নিস গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে



টোকিও, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনগী ওইনা নুপাগী টিম ফাইনেলদা চাইনানা জর্মনিবু ৩-০দা থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

চাইনাগী নুপাগী টিম অদুগী মায়কৈদগী সিঙ্গলসকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবা মা লোং অমসুং জু জিননা দবলসকী অহানবা মেটচ অদুদা জর্মনিগী টিমো বোল অমসুং পেট্রিক ফ্রাঞ্জিস্কাবু গেম ৩-১দা থোইরগা ফজবা হৌখি। অনীশুবা মেটচতা সিঙ্গলসকী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা চাইনাগী ফান ঝেনদোংনা জর্মনিগী ওলিম্পিক গেমস অসিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা দিমিট্রিজ ওপচারোভকা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং চাইনাগী শান্নরোয় অদুনা গেম ৩-২দা থোইদুনা জর্মনিবু টিমগী ফাইনেল মেটচ অদুদা গেম ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহুমশুবা গেম অদু সিঙ্গলসকী গোল্ড মেদল ফংখিবা মা লোংনা জর্মনিগী টিমো বোলগা লম্বা তৌনখি। গেম অদু বোলগী মায়কৈদগী গেম ১ থোইবা ঙমখ্রবসু মা লোংনা হেঞ্জিল্লকপদগী ৩-১দা থোইরগা চাইনানা গেম ৩-০দা জর্মনিবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড লৌখিবনি।

টিমগী ওইনা ব্রোঞ্জ মেদলগী মেটচ অদুদা য়ূম্বু জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগা লম্বা তৌনখি। মদুদা জপাননা সাউথ কোরিয়াবু গেম ৩-১দা থোইদুনা মেদল লৌবা ঙমখি। টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিন অসিগী ওইনা পূন্না গোল্ড মেদল ৫ লৈবগী মনুংদা চাইনানা গোল্ড মেদল ৪ ফংদুনা দোমিনেট তৌখি। অদুগা য়ূম্বু জপানগী মায়কৈদগী হন্দক্কী ওলিম্পিক অসিদা অহানবা ওইনা য়াওখিবা মিক্স দবলসকী ইভেন্ট অদুদা গোল্ড ফংখি।

# রেফরি ফূরুবা দিপক পুনিয়াগী কোচ দব্লিয়ু এফ আইনা তান্থোকখ্রে

টোকিও, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী রেষ্টলর দিপক পুনিয়াগী ফোরেন কোচ ওইখিবা রসিয়া মচা মুরাদ গাইদারোভনা ঙরাং রেফরি ফূরুবগী মতাংদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মহাকপু কোচ ওইবা ফমদগী তান্থোকখ্রে।

কিলোগ্রাম ৮৬কী ব্রোঞ্জ প্লে ওফ মেটচতা ইন্দিয়াগী দিপক পুনিয়া সাং মারিনোগী রেষ্টলর মাইলস নাজিম অমিনগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি। বাউট অদু লোইরবা মতুং দিপক পুনিয়াগী কোচ ওইরিবা রসিয়াগী মুরাদ গাইদারোভনা রেফরিগী কাদা চঙলগা বাউট অদুবু কন্দক্ত তৌখিবা রেফরি অদুবু ফূরুবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মালেমগী রেষ্টলিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংগী মায়কৈদগী রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা দিসিপ্লিনরি হিয়রিং অমা চথুননবা খঙহনখি। রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি বিনোদ টোমরনা ফোঙদোরকপদা, টোকিও ওলিম্পিক গেমস ভিলেজদগী কোচ গাইদারোভ খূদক্তা ইন্দিয়াদা হন্নবা খঙহনখি।

নীংশিংবা য়াবদি, রসিয়া মচা গাইদারোভনা কুমজা ২০১৮গী জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা দিপক পুনিয়াগী কোচ ওইবগী থৌদাং অদু শিন্নখিবনি হায়রি। মশাগী চহী ৪২ শুরবা রসিয়া মচা মুরাদ গাইদারোভ কুমজা ২০০৪ এথেন্স ওলিম্পিক গেমসতা মায়থীরবা মতুং মহাক্কী ওপোনেন্ট রেষ্টলর অদুবু রেষ্টলিংগী এরেনাগী মপান্দা ফূরুবগী ৱাথোক লৈরিবনি। লোয়নননা মহাক কুমজা ২০০৮ বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতা বেলারুস লৈবাক্কী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারকপদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। আই ও এগী সেক্রেটরি জেনরেল রজিব মেহটানসু গাইদারোভপু টোকিওদগী লৌথোক্লে হায়খি।

# কেনিয়াগী ফেথ কিপয়েগোননা নুপীগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে




টোকিও, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী): কেনিয়াগী এথলিট ফেথ কিপয়েগোননা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা ওলিম্পিককী রেকোর্দ অনৌবা অমা থম্বগা লোয়নননা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

মহাক্লা লমজেল অদু মিনট ৩:৫৩.১১দা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। লোয়নননা বৃটেনগী এথলিট লোর ম্যুরনা মিনট ৩:৫৪.৫০দা সিলভর লৌরগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল অনী ফংবা ঙমখ্রবী নেদরলেন্দসকী সিফান হসননা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নীংশিংবা য়াই, নেদরলেন্দসকী এথলিট সিফান হসননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী মিটর ৫০০০গী গোল্ড ফংবা ঙমখ্রবনি। মহাক্লা মিটর ১৫০০গী অসিদসু গোল্ড মেদল ফংনবা হোৎনরকপা অদু কেনিয়াগী কিপয়েগোনগী মখূৎতা লৈহৌবনি। হসন থাংজ নুমীৎতা মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল অমগা ফংবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

চথুরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা নুপীগী কিলোমিটর ৫০গী ৱাক রেস লোইরবা মতুং মখা তাবা ওলিম্পিক্সশিংদা ইভেন্ট অসি য়াওরোইদবগী ৱাফম লাকপদা এথলিট কয়া অমনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী কানাদাগী ইভান দুনফেনা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখিবদা, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমসুং ৱর্ল্ড এথলেটিক্স ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অচৌবা অশোয়বা অমনি হায়খি। কুমজা ২০২৪দা ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অদুদা নুপীগী কিলোমিটর ৫০গী ৱাক রেস অসি লৌথোকখ্রবনি।

# ইংলেন্দ ইন্দিয়াদগী রন ৭০ শোঠরগা লৈরি, নোংনা মরম ওইদুনা ৩শুবা নুমীৎকী শান্নবা অদু তেনশিনখ্রে, রাহুলনা রন ৮৪ লৌরমখি

নোটিংঘাম, ওগষ্ট ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দগী ক্রিকেট টিমনা থা অসিগী ৪দগী হৌখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচকী ঙসি হুম্নি শুবা নুমীৎ নোংনা তেনশিনখ্রবা মতুং ইংলেন্দ ইন্দিয়াদগী রন ৭০ শোঠরগা লৈরি। ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসতা ওপনর কে এল রাহুলনা রন ৮৪ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা অহানবা ইন্নিংস অদু শুপ্নগী রন ১৮৩দা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা ইন্নিংস লোইশিনখি। টিম অদুগী কেপ্টেন জো রুটনা রন ৬৪ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর




ওইখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফাষ্ট বোলর জস্প্রিট বুমরানা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৪ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি। অতোপ্পা বোলর মহমদ সামিসু ৰিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। অদুগা শ্রিদুল থাকুর অমদি মহমদ সিরাজনা মথংশিংনা ৰিকেট ২ অমসুং ১ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা বেটসমেন ১০ আউট ওইরগা রন ২৭৮ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ওপনর কে এল রাহুলনা রন ৮৪ লৌরগা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর অদু ওইহনখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা ফোর ১২ য়ৈরমখি। ৭শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজাসু ফোর ৮ অমসুং সিক্স ১গা য়ৈরগা রন ৫৬ লৌরম্বা অদুনা ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোরদা চাওনা মতেং পাংখি। অতোপ্পা ওপনর রোহিট শর্ম্মাগী রন ৩৬, ৬শুবা বেটসমেন রিসব পন্টকী রন ২৫, অদুগা ১০শুবা বেটসমেন বুমরানা রন ২৮ লৌরম্বা অদুসু শীংথাবা য়াবা রন ওইখি।

ইংলেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ওপনর রোলি বর্নস অমসুং দোমিনিক সিব্লে আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ১১ অমসুং ৯ লৌরগা ঙসিগী শান্নবা লোইশিনখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 193**

**Nakamura, Hikaru (2736) - Tari,A (2639)**
**Chessable Masters Prelim chess24.com INT (12), 2021.08.02**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nc3 d5 | 4.cxd5 Nxd5 |
| 5.e4 Nxc3 | 6.bxc3 Bg7 | 7.Bb5+ c6 | 8.Ba4 O-O |
| 9.Nf3 Bg4 | 10.O-O c5 | 11.Be3 Nc6 | 12.Bxc6 bxc6 |
| 13.Rc1 Qa5 | 14.Qc2 Bxf3 | 15.gxf3 cxd4 | 16.cxd4 Qh5 |
| 17.Kg2 Rad8 | 18.Rfd1 f5 | 19.Qxc6 f4 | 20.Qe6+ Kh8 |
| 21.Bd2 Rxd4 | 22.Be1 Qg5+ | 23.Kh1 Qh5 | 24.Qb3 Qh3 |
| 25.Kg1 Rxe4 | 26.Bc3 h5 | 27.Bxg7+ Kxg7 | 28.Rc5 Re2 |
| 29.Qd3 Rxa2 | 30.Re1 Qh4 | 31.Qd4+ Kh6 | 32.Rd5 Rc8 |
| 33.Rd7... | | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 192 Ans. :**

20. ...Bb1 The black bishop decoys White's rook. 21.Rxb1 Qd3+ The black queen forks White's rook and king. 22.Kg1 Qxb1+ The black queen captures White's rook, which was defending square e1. 23.Nf1 Qxf1+ The black queen decoys White's king. 24.Kxf1 Re1# Backrank mate Mayet's mate

20. ...Bb1 21.Kg1 Re1+ 22.Nf1 Qd3 23. Qg4+ Kh8 24.Be2 Rxe2 25.Rxb1 Bc5 26.h4 Rxf2 27.Re1 Rf4+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com